# হিয়াংলম অমদি ৱাবগাই কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফম কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে



ককচিং, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদি ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লোকদাউনগী চৈথেং মায়োক্লরিবা মীয়ামদা তঙাইফদনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে।

হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সিগী এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম্না ফোঙদোরকখিবদি অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লোকদাউন মনুংদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা খরা হেন্না খুদোংচাদবা ইমুং লিশিং ৪ রোম খনগৎলগা হৱাই, অচাথাউ, থুম্নচিংবা লেম্না য়েন্থোকখ্রে। ব্লিচিং পাউদরসু পাক শন্না চাইথোকখ্রে। হিয়াংলম কেন্দ্র কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিনসু মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে।

অনীশুবা তাঙ্কক্কী লোকদাউন মনুংদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা ইমুং খূদিংমক চাউরাক্লা ইমুং লিশিং ১০ রোমদা অচাথাউ লিটর মখায়, হৱাই, থুম, অলু কেজি অমমম ঙসিদগী য়েন্থোকপা হৌরে। অথুবা মতমদা চেঙসু য়েন্থোক্লগনি। অসিদসু নত্তনা রিলিফ কম্মিটিগী মীওইশিং অমসুং কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদি আউটপোষ্টশিংদা মথৌ তৌরিবা পার্সোনেলশিংদা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, সোদিয়ম হাইপোক্লো-রাইটনচিংবা য়েন্থোকখ্রে।

তমথিরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা তৌগদবা থবকশিং মীয়াম্না ঙাক্লা চৎপিয়ু, লুরবা তাঞ্জা অসিদা অরানবা পাউ শন্দোকপিগনু, মীয়াম্নসু অরানবা পাউদা থাজবিগনু হায়নসু ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম এম এল এনা আপিল তৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংচনবা ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ফাজুর রহিমগী মীৎয়েং মখাদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা ইমুংশিংদা অৱা তেঙবাং ওইনা অলু, অচাথাউ, তিলহৌ, থুম্নচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ফাজুর রহিম এম এল এনা ফোঙদোকখিবদি ৱাবগাই কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১ দগী ১৮ ফাওবা হায়বদি ইরোংদগী হঙ্গুন ফাওবগী এরিয়াদা লৈবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রবা তুংদা ঙসি পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দগী ৩৬ ফাওবগী এরিয়া তেরা পিশক্তগী ককচিং ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংদা য়েন্থোকপনি।

তমথিরবা লায়না অসি থিংনবা লোকদাউন য়াওনা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং অমদি অখণ্ড অহৈশিংনা পীরিবা পাউতাক খূদিংমক মীয়াম্না ঙাক্লা চৎপিয়ু, ৱারবসু ৱানা মে ৩ ফাওবদি খাঙমিন্নসি। মীয়াম পুন্নমক ৱারে হায়বা খঙই অদুবু লোয়নমক মনিং থুংহনবদি ঙমদে। এম এল এ অমা ওইনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম এল এ ফজুর রহিমনা হায়, এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ২৫ থাদোকখ্রে হায়রগা কদাইদা লৈখ্রবনো হায়না মীয়াম্না ঙাংনবা তাবদা নত্তনা হংলকপসু য়াওরে। হায়রিবা শেনফম অসি থাদোরকপা নৎত্রগা লৌথোকপা লৈত্রি। হৌজিক কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মতম শাংনা লোকদাউন তৌবদগী ৱানরিবা অসিগী য়েংদুনা পি এম জে কে এ ৱাইগী মখাদা থা-৩ হায়বদি এপ্রিল, মে, জুনদা মীওই অমমমদা চেঙ কেজি ৫/৫গী চাংদা লেম্না ফংহনগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরক্কদবা চেঙ অদুনা য়েনবা কোন্নরোইদবনা এম এল এ লোকেল এরিয়া ফন্দগী লুপা লাক্ষ ২৫ অদু শীজিন্নগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ৱাবগাই কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরকপা চেঙগী মথক্তা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লৈগদৌরিবা চেঙ অসি থা অমদা লুপা লাক্ষ ১২ রোমগীনি। অদুনা থা ৩ গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৩৬ রোম চঙগদৌরি। ৱাৎলিবা শেনফম অসি এম এল এ অমা ওইনা পুথোকপা তারি। অদুনা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ লান্না শীজিন্নখ্রবরা হায়না মীয়াম্না চিংনরিবা অসি তৌবিদনবা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## আই এল পিগী মতম শাংদোকপিয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ লোকদাউন চত্থরিঙৈ মনুং অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংদা পীবা ইন্নরলাইন পার্মিট (আই এল পি)গী মতম লোইখিবা য়াওরে। মরম অদুনা মহালাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা লোকদাউন তৌরিঙৈ মতম অসিফাওবদি মখোয়না পায়রিবা আই এল পিগী মতম শাংদোকপিয়ু অমসুং তেঙবাং পোৎলমশিংসু পীবিয়ু হায়না সি পি আই (এম) ষ্টেট কম্মিটিনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা আপিল তৌরি।

সি পি আই (এম) ষ্টেট সেক্রেটরী ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈবাক শীনবা থুংনা লাক্লিবা মে ৩ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে। মসিমক পার্টি অসিনা মপূং ফানা শৌগৎলি। সি পি আই ষ্টেট য়ুনিটনসু ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা পূন্না লৈরিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিং, মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং, অনা অয়েক য়াওবা মীওইশিং অমসুং লম কোয়বা চৎখিবা মীওই কয়াদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মপান লমদগী লাকপা ৱার্করশিংদসু গভর্ণমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহল্লি। অদুবু হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরিবদি মখোয়দা পীবা আই এল পিগী মতম লোইশিল্লকপা অসিনি। মরম অদুনা ফিভম অসি য়েংলগা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী আই এল পিগী মতম লোকদাউন তৌরিঙৈ মতম ফাওবদি শাংদোকপিয়ু হায়রি।

## ওল্ড এজ হোম মোংশাঙ্গৈদা সি আর পি এফনা মতেং পাংখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ সি আর পি এফ মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পিগী মীৎয়েং মখাদা ১০৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা ফেসমাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, থক্লবা ঈশিং লিটর লিশিং ৯ পীবগা লোয়ননা অমসুং থোং থাক্লবা চাক-এঞ্জাং মতেং পাংখ্রে।

অহল ওইরবশিংবু মতেং পাংবা অমসুং কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবশিং অদু খঙহনবা হায়বসিদা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি।

১০৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিগা মরী লৈননা বট্টালিয়ন অসিগী মেদিকেল ওফিসার ডা. টিঐচ বিদ্যা লক্ষ্মীনা কোভিদ-১৯ গী মরী লৈনবা লেকচর পীদুনা অহলশিংদা নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা ফেসমাস্ক উপ্পা অমদি নোংমগী তঙাইফদবশিং অদু তৌদুনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবসু নীংথিনা খঙহনখি। করিগুম্বা অনা অয়েক য়াওরক্লবদি মেদিকেল এদভাইস লৌনবসু খঙহনখি।

১০৯ বট্টালিয়ন এ ও এলগী কম্মান্দেন্ট নরায়ন বলাই টু আই সিনসু লৈবাক অসিনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লাহ্নেং অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনখি। লোকদাউনগী চপ চাবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু ঙাক্লা চৎনবা অমদি গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী ওইনা পীবা ইন্সট্রক্সন ঙাক্লা চৎনবসু মহাক্না খঙহনখি। বট্টালিয়ন অসিগী ওইনা পুং ২৪ সার্ভিস তৌগদবা হেল্প লাইন অমসু হাংলে। দরকার ওইবশিংনা হায়রিবা হেল্প লাইন অসিদা খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ম্যান্মার ঙমখৈগী কোরোনা ফেন্সিং বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৪ য়ৌখ্রে



মোরে, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোরে সেক্টরনা ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অরোনবা লম্বী অমদি অহোবা মফমশিংদা চখোক চৎশিন তৌদনবগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শম্বল খাজিনবগী চত্থরকখিবা থবক বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৪ য়ৌখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি এস পি তেংনৌপল ষ্টেট ফোর্সকী পার্সোনেলশিং অমদি বি আর টি এফ পার্সোনেলশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম ৪৫ দা লৈবা অহোবা মফমশিং শম্বল খাজিনবগী থবক হৌখিবা মার্চ ২৯ দগী হৌনা চত্থরকখিবনি। ঙসি মখা তানা মোরেদগী লাপ্না লৈবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৩ বেতুক ভিল্লেজ অমসুং বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৪ চোংজান ভিল্লেজনা কোনবা চীংনুংগী মফম কয়াদা চত্তুনা ম্যান্মারগা ফাউনবা অহোবা মফম কয়া মেনশিনবগী থবক চত্থখি।

কোরোনাভাইরস ফেন্সিং হায়নসু খঙনবা অহোবা অমদি অরোনবা লম্বীশিং থিংজিনবগী থবক অসি অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লক্লে। নাকল অমরোমদা লাইচৎ অসি মণিপুরদা চঙলক্তনবগীদমক সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা মীয়ামগী মাঙ থাদুনা ফ্রন্ট লাইন্দা ঙসি ফাওবা থবক তৌরি। অহোবা লম্বীশিং থিংজিনবা অসি করিগুম্বদা লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবা মফম কয়া অমা য়াওরকপদা গারী চঙবা য়াদ্রবসু খোঙনা চত্তুনা শম্বল খাবগী থবক তৌরি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎলক্লিবা থবক অসিদা মফম মফমদুগী মীয়াম্না থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি হায়রি।

## পেন্সনরশিংগী ফোটো নম্লগনি

ককচিং, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ সব ত্রেজরি ওফিস ককচিংগী মখাদা লৈবা ষ্টেট পেন্সনরশিংগী ফোটো থা অসিগী ২০ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মে ২ ফাওবা ছুটি য়াওদনা নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা সব ত্রেজরি ওফিস ককচিংদা নম্লগনি হায়রি।

হন্দক্কী ওইনা ফোটো নম্বগী থবক অসি তোঙান তোঙানবা মফমগী নুমিৎ খায়দোক্লরগা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চত্থগনি। থা অসিগী ২০ অমসুং ২১ দা ককচিং চুম্নাম লৈকাই খুনয়াই লৈকাই, ৱাইরি অমদি কৈরক্তা লৈবা পেন্সনরশিংগী, থা অসিগী ২২ দগী ২৪ ফাওবনা ৱাবগাইদগী ৱাঙু সেরৌ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিং, থা অসিগী ২৫ দগী ২৯ ফাওবনা ককচিং খুল্লেনদা লৈবশিং, থা অসিগী ৩০ দগী মে ২ ফাওবনা সোরা পল্লেল, কোল্লাথাবি অমসুং মোরেদা লৈবা পেন্সনরশিং ফোটো নমগনি হায়রি। মরী লৈনবা পেন্সনরশিংনা মখোয় মখোয়গী পেন্সন বুক পুরক্লগা ফোটো কাপহৌনবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পেন্সনর এসোসি-য়েসনগী সেক্রেটরী পি চাউবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

## এ দি সি চান্দেলগী চিয়ারমেন্না মতেং পাংখ্রে

চান্দেল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ এ দি সি চান্দেলগী চিয়ারমেন দি রিঙ্গো লমকাংনা ঙসি কোমসেন, কুমুচিং, নুংকাংচিং অমসুং মহৌ তেরাদা লৈবা য়ুমথোঙ ২৫০ রোমদা অলু, তিলহৌ, ঙারি থুম্নচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে। অসিদসু নত্তনা ভিল্লেজশিং অসিদা শেলগী মতেংসু পীরমখি হায়রি।

চিয়ারমেন দি রিঙ্গো লমকাংগী এ দি সি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা ভিল্লেজ খূদিংমক্তা তেঙবাং পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

## অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে

ককচিং, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সোরা চীংজিন প্লে গ্রাউন্দ মনাক্কী লৌবুক্তা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে। পুলিসকী ৱা পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, শিরম্লিবা মীওই অদু ককচিং তুরেল ৱাংমা দি এস এ মমাঙদগী মোইরাংথেম রামেশ্বরগী মচানুপা রাজেস (২৭) নি হায়না খঙবা ঙমখ্রে। মহাক হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ময়ুমদগী থোকখ্রগা হঞ্জিল্লকখিদবনি হায়না ময়ুমগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ককচিং পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা অশিবা হকচাং অদু লৌখৎলগা ইম্ফালদা পুরক্তুনা জেনিমস হোস্পিটাল পোরোম্পাৎতা পোষ্টমোর্টেম তৌরবা মতুং ইমুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## অংথাগী নহাশিংনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা অংথা খুলগী নহাশিং পুনশিন্দুনা শেম্বা য়ুথস ওফ অংথা ৱাটসঅপ গ্রুপনা লোকদাউন মনুংদা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী খরমখৈ কোক্লবা অংথাগী লৈকাই ৫ দা লৈবা হেন্না শোত্থবা ইমুংশিং অমদি অতোপ্পা মফমদগী অৱাইবা য়ুমদা লৈবা অমদি মশাগী ফিভম শোয়নরবশিং য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

## পোৎলম কয়া তেঙবাংখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৯ গী মনুং চন্না লৈবা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লর ৱাইখোম ইবোচৌবনা অনীরকশুবা ওইনা ঙসি য়ুমথোঙ ৫০০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া লৈরক লৈরক্তা চৎতুনা তেঙবাংখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মখা তানা মে ৩ ফাওবা লোকদাউন চত্থরিবা অসিদা মীয়াম্না য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোকপিগনু হায়রদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংনবা হোৎনগনি হায়নসু কাউন্সিল্লর ৱাইখোম ইবোচৌবনা ফোঙদোকখি।

## খোইরোম-হৈত্রোইপোকপি ৱাটর সপ্লাই স্কিম নীংথিনা মথৌ তৌদবনা থক্লবা ঈশিং ফংনদ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা লৈরোংথেল-নিঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী য়াইরিপোক হৈত্রোইপোকপি খুলদা লৈবা খোইরোম-হৈত্রোইপোকপি ৱাটর সপ্লাই স্কিম নীংথিনা মথৌ তৌদবনা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং ফংহনবা ঙমদ্রে হায়রি।

য়ুথ অন ইমপ্লোইদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই য়ু দি ও) য়াইরিপোক খোইরোমগী সেক্রেটরী ঐচ প্রমোদকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, খোইরোম-হৈত্রোইপোকপি ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি চহী ২৪ রোমগী মমাঙদগী লৈরক্লবা অরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমনি। স্কিম অসিনা খোইরোম অমদি হৈত্রোইপোকপি খুলগী লম্বীগী নাক য়েত্তা পাইপ পুদুনা ঈশিং পীরম্বনি। অদুবু হৌজিক্লা লম্বীগী ওইথংবা নাকল খক্তমক ঈশিং পীনবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা অতৈদি ঈশিং ফংদনা লৈরি।

হৌজিক কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন থল্লিবা অসিদা মীয়াম্না অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি মসিদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংদবা অসিসু অচৌবা অৱাবা অমনি। মরম অদুনা লোকেল এম এল এ, জিল্লা পরিষদ মেম্বর অমদি প্রধান্না অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকা তান্নদুনা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু। মীয়ামগী অকনবা খোল্লাওগা লোয়ননা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্ত্রিঙৈদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি নীংথিনা য়েংশিনবিদুনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা মীচং মীখাই নাইদনা অফবা ঈশিং ফংহনবিনবসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লি।

## তোঙান তোঙানবা কৈথেলশিংদা লৈবা ষণ ২৬০ অমদি শগোল ৭ তা শজিক পীজখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ জোইন্ট কোঅর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইও-দাইভর্সিটি (জে সি সি দব্লিউ বি)না ঙরাংদগী তোঙান তোঙানবা কৈথেলশিংদা লৈবা শা-ষণ অমদি মহাবলিদা লৈবা য়োংশিংদা মচিঞ্জাক পীজবগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা কৈথেলশিংদা লৈরম্বা ষণ ২৬০ অমদি শগোল ৭ তা শজিক পীজখ্রে।



জে সি সি দব্লিউ বিগী মেম্বরশিংনা টিম এ বি অমসুং সি হায়না অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা কৈথেলশিংদা চৎলগা ষণ অমসুং শগোলশিংদা শজিক পীজখিবনি। মদুদা ইম্ফালগী পুরৈরোম্বা খোংনাংখোং, লম্লোং কৈথেল, নাগামপাল, থঙ্গাল বজার অমদি গান্ধি এভেন্যু য়াওনা তোঙান তোঙানবা কৈথেলশিংদা লৈরম্বা ষণ অমদি শগোলশিং মচীঞ্জাক থাদুনা পীজখি হায়রি।

কম্মিটি অসিগী ৱাঙাংলোই রোমেস নিংথৌজম্না ফোঙদোরক-খিবদি ঙরাংদগী হৌনা লোকদাউন মনুংদা শা-ষণশিং মতেং পাংবগী থবক চত্থরকখিবা অসিদা অমগা অমগা শোক্ল-শম্নবা অমদি শজিক থাবদা কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচানা হেন্দ গ্লোব অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালনসু হেন্দ গ্লোব, মাস্ক অমদি সেনিটাইজরশিং মতেং পাংলকখি।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপম্না ট্রান্সপোর্টকী মতেং পাংবিদুনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী গারীদা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা চাউনা থৌদাং লৌবিখি অমদি সি এফ জোইকুমার দি এফ ও সেন্ট্রেলনসু কম্মিটিনা চঙশিল্লিবা থবক অসিদা চাউনা মতেং পাংবদা নত্তনা মখা তানসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

লোকদাউন্না মরম ওইরগা ষণ-শগোল কয়ানা মচীঞ্জাক ফংদবগী থেংনরমগদবা অৱাবা কয়া অদু য়েংলগা জে সি সি দব্লিউ বিনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রদুনা মফম খরদা শা-ষণদা অশোক অপন কয়া য়াওরম্বসু থেংনখি। লম্বীদা সরক্তা লৈরিবা ষণ-শগোলশিং অসি মীৎয়েং চঙবিদুনা মফম চাবা জগা অমদা পুল্লপ থম্বিবগী অপাম্বসু ফোঙদোরক্লি।

চত্থরিবা খোঙজং অসিদা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. আর কে খোগেন্দ্রজিৎ অমদি অতৈনা কয়ানা চাউনা মতেং পাংলকখি হায়রি।

## থৌবাল মেলাগ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোলদা চেঙ ক্লুইন্টল ২০ মীয়ামদা য়োনখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওপন মার্কেট সেল স্কিমগী মখাদা থৌবাল সার্কলগী ওইনা ঙসি থৌবাল মেলাগ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোলদা ওপন মার্কেট সেল হাংদুনা চেঙ ক্লুইন্টল ২০ মীয়ামদা য়োনখ্রে।

এস দি সি থৌবাল মাংতে জোনারথন অমদি ষ্টাফশিংনা য়েংশিন্দুনা চেঙ য়েনখিবা অদুদা নন-মণিপুরী অমদি অৱাইবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদা চেঙ কেজি ১০/১০ অদুগা লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংদনা চেঙ কেজি ৬/৬ ফংহনখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পূন্না ওপন মার্কেট সেল স্কিমগী মখাদা চেঙ ক্লুইন্টল ৭৫ লাকপগী মনুংদা ঙরাং লিলোং সার্কলগী ওইনা চেঙ ক্লুইন্টল ১৭.৫ য়োনখিবনি হায়রি।

মরক অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা খোংজোম অমদি সম্রামগী য়ুমথোঙ ১৭৫০ রোমদা নোংমগী চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখ্রে। ৱাংজিং তেন্থা জিল্লা পরিষদকী মেম্বর খাঙেম্বম ওংবী মনিশংগী মীৎয়েং মখাদা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

সোসিয়েল ৱার্কর খাঙেম্বম রোজিৎনা ফোঙদোরকখিবদি কোভিদ-১৯ না হেন্না অৱা চৈথেং পীরিবসি নোংমগী শুরগা হিংবা খুঙ্গংগী লাইরবা ইমুংশিংনি। জিল্লা পরিষদ মেম্বরগী মায়কৈদগী অৱাবা নংলিবা ইমুংশিংদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি।

জিল্লা পরিষদ মেম্বর মনিশংগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা তেন্থাগী য়ুমথোঙ ২১৮০ অমদি ঙরাং ইরাই নুমিত্তা ৱাংজিংগী অকোয়বদা লৈবা য়ুমথোঙ ১৮৫০ রোমদা হৱাই মুশোরি, অলু অমদি থুম্নচিংবা অচা অথক তেঙবাং ওইনা য়েন্থোকখিবনি। মখা তানসু জিল্লা পরিষদ অসিগী এরিয়াদা অৱা অনা তারবশিংগী খল্লগা অচা অথকশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## খোইরু লৈকাইদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

মোইরাং, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১০ মোইরাং খোইরু লৈকাইগী য়ুমথোঙ ৩০০ লোমদা ঙসি মোইরাং লমখাই য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (এম এল ৱাই দি এ) ভোলুন্টিয়ারশিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

লোকদাউন্না মরম ওইরগা নোংমগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামগীদমক এসোসিয়েসন অসিনা অঙম্বা মতেং পাংবনি। ঙসি মোইরাং খোইরু অৱাং লৈকাই, ময়াই লৈকাই অমসুং মখা লৈকাইদা লৈবা য়ুমথোঙ ৩০০ রোমদা অলু, হৱাই, অচাথাউ, থুম অমদি লফু য়েন্থোকখি।

লোকদাউন মখা চত্থরকপা তারগদি মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগীদমক এসোসিয়েসন অসিনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

## ওইনাম কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লেম্না চেঙ য়েনবা হৌখ্রে

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ১৮ (এস এন এস )ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা খুল ১৩ দা প্রধান মন্ত্রি গরিব কৈল্যান অন্না য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা অহানবা ওইনা লেম্না চেঙ য়েনবা হৌখ্রে।

ঙসি কৈনৌ থোংখোং কম্যুনিটি হোলদা এল রথাকিশ্বর এম এল এ য়াওনা কৈনৌ জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৬ তা লৈবা মীওই খূদিংদা খেন্নবা থমদনা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং তৌরগা চেঙ কেজি ৫-৫ লেম্না য়েনবা হৌখ্রে খোইজুমান, তৌবুল, ঙাইখোং সিফাই, ঙাইখোং খুল্লেন, ঙাচৌপোকপি, ঙাইখোং খুনৌ, কৈনৌ, য়ুম্নাম খুনৌ, ওইনাম, ইরেংবম, হৈনৌপোক, লৈস্রাম, অমদি ৱারোইচীংগী প্রাইওরিটি হাউসহোল্ড মেম্বর ৩৬,৫৭০ দা মথং মনাও নাইনা অথুবদা চেঙ পীনবা থৌরাং তৌরি হায়রি।




## ঙসিগী রাষি ফল (১৯-০৪-২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অশোক অপন থেংনবা, খৎননিংবা মতম্নি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ৱাখল নুংঙাইরোই। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** খৎনবা, ৱাথোকপা, মীচং শোনবা অরানবা তাবা মতম্নি। শেল চৎপা, কোক শাবা থেংনরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** চয়েৎনবা লৈরবসু অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, শেল ফংবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শাওদবা, তপথবা ফগনি, খৎননিংগনি। শাক্তি যামিন ওইরুগনু। লুচিংবা থৌশিলবা তৌরুগনু। তোখাই তাগনগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ খরা ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** চরক চহিং নাইবা, য়ৈখায়বা পীবা মতম্নি। অদুবু পাঙথোক্লিংবা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোকপা য়াবা খরা পাঙথোকপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫, ১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা য়াবা মতম্নি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** গারী তপ্পা থৌগনি। শোক্কনবা, খৎনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। চেকশিন্না হোৎনজগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** খৎনবা, মত খেন্নবা, অরানবা তাবা, শেল মরম চাদনা চৎপা মতম্নি। য়েংশিনবা য়াম্লগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা অরুবা খরা মায় পাক্লা পাঙথোকপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, থবক শেল, মরুপ মফম হান্নদগী ফবা, পোৎ অনৌবা লৈবা য়াবা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।